# মেরা থা : চীং-তম মরী চেৎহনবা থা

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী



শরৎকী ঋতু মপুংয়ায়
মেঙনা চৎলি মেরা থা
ঈংনা লাকই হিয়াঙ্গে।
শূমাঙ খুদিং মেরা ৱা
থাউমৈ পরেং দীৱালী

মহাক্তি চৎখ্রে ঐখোয় পুম্নমকপু থাদোক্তুনা অহৈবম শ্যাম। চীংলেল্লবা, মোং হাংদবা মতম অমগী মমিং লৈরবা শৈশকপা। অদুবু মহাক্কী খোয়থুম্নরবা খোঞ্জেলনা মীপুম খুদিংমক্কী নাকোংদা ঙংলি, থম্মোয়বু শুমহৎলদুনা। পুরক্লি মেরা থাগী মপাউ। মেরাগী থানিন, চীং-তম অনীগী নুংশি লীপুন চেৎহনবী। মীচঙ মীখায় নাইদবী। নুংওনবী, মেরাগী থানিন। হয়েংনিকো মেরাগী থানিন। মৈতৈগী শুমাং অয়াম্বা উরগনি মেরা থাউমৈ। কয়াদা নুংশিখ্রবা নীংশিংলুবদা মতমদো মৈতৈ য়ুমজাউ, শীৎ নানবা তরু তরুবা য়ুমজাউ মেরাগী থাবলনা য়ৈবদা তঈং তঈং তুমীন্না হরাউ মোমোন্নজবদো। তরু তরুবা শুমাঙদা থাজ মাগা চাংদম্ননা কোয়রপ কোয়না তৈথোক্লবা পন্থৌগী শুমাঙ মথৌবুংদা, তুলসি মখোঙদুদা থানখিবা মেরা থাউমৈ। ইশা ইশাগী য়ুমগী ইংখোলনুংদা হৌবা ৱাপন্দগী ফজবা ৱা খন্দুনা মেরা থাউমৈগীদমক য়ানখি।

ৱা মতোন্দুদা মিংশেন থাউমৈ পুন্দুনা থা অমা চুপ্পা ঈরাৎ থৌনিজবা, কয়াদা ফজখ্রবা মণিপুরগী কলচরনো। হায়নৈ মেরা ৱায়ুংবা, হিয়াঙ্গে থানিন ৱাফুকপা নোং তাদনা তোক্তে। সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজ, কোমলাথাবীদা থবক পুরিঙৈদনি। মতমদু হিয়াঙ্গেগী ৱাফুকপা মতাংনি। লৌরোক পান্থাসু ওই। ৱাফুকপগীনি হায়, নোং লেপ্তুনা তাখি। লৌখাউ লৌয়ৈবগী থবক্তদি অপনবা থোকহনখি। মণিপুর পুম্বগীনি। মতমদুগী প্রিন্সিপাল ওজা ঙমচিংনা ফাগী তৌরগা হায়রখি,

'প্রমো নখোয় মৈতৈশিংনা ৱাফুকপা, ৱায়ুংবা তৌরম্বগী নোং য়াম্না তারেনে। লৌ য়ৈবসু, খাওবসু য়াদ্রে।'' মদুদা ঐনা খুমখি,

''ওজা মতমসিদা নোং শোয়দনা তাগনি খঙবদগী ইপা ইপুশিংনা পোইনু থাদা লৌ লোকপগী থবক তৌরম্মী। অঙনফৌ পুথোক্লুবা, ঙন্তানা ফৌ লোক্লিংবা ঐখোয়গী ইরান্নি।''

''হোয়নে চুম্মীনে। পোইনু ঙাইবা ঙমদদুনা মেরা, হিয়াঙ্গৈদা চাক অনৌবা চানিংলুবগী নেচরদা দন্দি পীবনিনে।''

অসুম্না নোকমিন্নখি ফাগী তৌনদুনা। ওইনিংবা ওইজসনু ৱায়ুংবা ৱাফুকপদা নোং তাবা হৌনশানি। ৱাকচিংদা নোং খীক্তবসু তৌহৈদে হায়নৈ। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা খুন্নাইগী নাৎ অমদি লাইনিং লীচৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অসি মহৌশাগী খোঙচৎকা মরী লৈনবনা অয়াম্বনি।

মতম অমগী মেরা থাউমৈদু ঙসিদি ইলেক্ট্রিক বল্বনা মহুৎ শিনখ্রে। সহরগী চেকয়ুমশিং, খুঙ্গংদসু অদুমঙায় ইনা কুপ্পা মৈতৈ য়ুমজাউগী মশিং য়ামশিল্লক্ত্রে। মেরা থাউমৈ মশিংসু হন্থরকপগী চিংনবা লৈরক্লে। মেরা, থাউমৈদি মুৎহন্নিংদে, চীংতম অমত্তনি হায়বগী সিম্বোলনি।

নুংওল্লবা চীনবুং ৱারী অমসু লৈ, কাউফদ্রবা ৱারীনি। ৱারীসিনা মেরা থাউমৈগী মতিকময়াই হেনগৎহল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

চীংমী অমসুং তম্মী অসি মমা মপা অমত্তনা পোকচবা মচিন-মনাওনি। চীংমীনা ময়াম্বনি, তম্বীনা মনাওনি। ময়াম্বা অদুদি মপাঙ্গল য়াম্না কল্লম্মী। মরম অদুনা মহাক্লা চীংদা লৈদুনা চাদা নাউদা শন্দোকখি। মনাওনুপা অদুদি মপাঙ্গল শোনবা মরম্না চীংদা কাথোক কাশিন তৌবদা অৱাবা খুদোংচাদবা ময়াম অমা মায়োক্লরম্মী। মরম অদুনা ময়াম্বনা হায়রম্মী।

''ইনাও নহাক্তি নপাঙ্গল শোনবা মরম্না অঙম্বা চীং অসি কাবা ঙম্লোই। মরম অদুনা তম্পাক্তা লৈরুরো। তৌবতবু নহাক হিংলি হায়বা খঙনবা চহী খুদিংগী ৱা মতোন্দা থাউমৈ পুল্লগা নঙগী শুমাঙদা য়ুংলগা থম্মু।''

মতৌ অসুম্না ময়াম্বগী য়াথং পুরদুনা মনাওনুপা অদু তম্পাক লমদা চৎখি। মহাক্লা মফম অদুদা খুন্দাদুনা লৈরবা মতুংদা মেরাগী থানিন নুমীৎতা ৱা অশাংবা অমগী মতোন্দা থাউমৈ অমা পুনশিল্লগা তুলসিবুং ময়ায়দা য়ুংলম্মী। হায়রিবা নুমীৎ অসিদা ময়াম্বদুনা চীংগী লমদা হৌবা পান, মাইরেন, শীং অমদি হৈরানচিংবা পুরদুনা মনাওনুপাগী মনাক্তা লাক্লম্মী। অসুম্না মচিন-মনাও চাক চামিন্নদুনা হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা নুংশিনবগী লীপুন অদু চেৎশিনহল্লম্মী।

অমুকসু মেরাগী থানিন, লাইবক ফৈদকো নহাকসে। নুমীৎসিদনি চীংমী তম্মী পুন্না হরাউ তয়ামমিন্নবগী নীংথিরবা কুম্মৈ, 'মেরা হৌচোংবা' পাঙথোকই। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা কুম্মৈনি। মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা মাগী মাগী চৎনবীগী ফিজেৎ লৈতেং থোন্দুনা কোনুংদা লাক্লম্মী। মদুগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী খুন্দা থোকপা মহৈ মরোংনচিংবা পোৎলম কয়া পুরক্তুনা নিংথৌগী মফমদা খুদোল তল্লম্মী। নিংথৌ, অঙম অথৌনচিংবা লৈবাক মীয়ামমাঙদা ফুরুপ খুদিংমক্কী মশা মশাগী ঈশৈ জগোয়নচিংবা উৎতুনা হরাউ মথোই কাদুনা মেরা হৌচোংবগী কুম্মৈ পাঙথোকই। মসিগীসু মথক্তা মখল মখাগী মশান্নশিং হায়বদি অরূম্বা নুঙ থাঙ্গৎপা ঙম্বা তান্নবা, শাফা লানফা, পাঙ্গল চাংয়েংনবনচিংবা পাঙথোকই। মদুগী তুংদা অচৌবা চাক্লেন অমা লাঙদুনা ময়াম হরাউ তয়াম্না চামিন থকমিন্নে। হায়রিবা থৌরম অসিগী মরমদা লৈখিদ্রবা পণ্ডিত শ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা অসুম্না থম্বীরম্মী,

''মৈতৈ নিংথৌনা মনিং তম্না পাল্লিঙৈ হায়বদি কুমজা ১৮৯১ গী মমাঙদদি হাওচোংবা অসি হৌজিক মরিশুবা অসাম রাইফস লৈরিবা কোনুং অমনবগী কংলা উত্রা মমাঙদা লৈরম্বা কংলা শাগী নোংচুপ, নাকথোংগী অৱাং নোংচুপ ওইরপ, নুঙ্গোইবীগীনা খা-মোইরাং লাইজি পাংলপ তৌবা লম্পাক অদুদা মেরা হাওচোংবগী কুম্মৈ অসি তৌরম্মী। কুম্মৈ অসি মণিপুরগী য়াম্না চাউবা কুম্মৈ অমনি। মসি চীংতম অনীগী চান্না চিন্ননা লৈমিন্নবগী খুদম অমনি। অমরোমদনা মরোন তিন্নদবা তোঙান তোঙানবা চীংদা লৈবা নিংথৌ খুল্লাকপা য়াইতোং খমদোং ময়াম পুন্না উনদুনা অমগা অমগা খঙনৈ। অদুগা মৈতৈগী অঙম অথৌ ফম্নাই ফনাইবশিংগা মখোয়গসু নৌহৌনা শকখঙ মায়খঙনদুনা অমগা অমগা চান্না চিন্ননা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা লৈবাক অসিদা লৈমিন্নবগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা নুমীৎনি।''

মতৌ অসুম্না মেরা থা অসি য়াম্না মরুওইবা থা অমা ওইরি। ইমা পান্থোইবী লাইরেম্বী অমসুং দুর্গা পুজা অনীমক পাঙথোক্তুনা লাইনিং লীচৎকী মিংদা খেন্নবগী মীৎয়েং লমদম অসিদদি লৈতে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। মসিগীসু মথক্তা মেরা থাউমৈ অমদি মেরা হৌচোংবা ইচম চম্বনি হায়না লৌবা য়ারোই। মেরা থাউমৈগা মরী লৈনবা চীনবুং ৱারী অসি ৱাখলনা শাগৎপনি হায়না লৌরবসু চীংমী তম্মী অনীগী হৌরকফম অমত্তনি, কৈদৌঙৈদসু খাইদোক্লবা য়ারোই হায়বগী পাউজেল পীরি। মেরা হৌচোংবা থৌরমসু অদুমঙায় কংলৈদা পাল্লম্বা লৈঙাক্কী মখাদা তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তমগী ফুরুপশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিল্লম্বগী ময়েক লারবা খুদমনি। লোন, ফিজেৎকী খেন্নবা খেন্নদবগী ৱাফমবু তুংওইনরগা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু উননবগী থৌরম অমনি। নুমীৎ অসিদা হরাউ কুম্মৈ পাঙথোকপগা লোয়ননা অমগা অমগা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা মাগী মাগী পূক্লিংদা লৈবশিংদু ফোঙদোক্লনবগী তাঞ্জা অমসুনি। অসিগুম্লবা নুংদা চেল্লিবা নুংশিনবগী ঈচেল অসিবু তরু তরুবা ঈচেল অমা ওইহনবা হায়বসি ঐখোয়না খনবা ৱাখল অমসুং তৌথোরকপা থবকশিংনা উৎকদবনি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মতা অমা ওইনা য়েংবদা নুংঙাইবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

অথিংবা লৈনা-লৈনা থৌওই-ৱাওইদনা করিসু নাচুংদনা তৌগনি হায়বগী মতাদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্বা ঐখোয়গী লৈবাক্তা মশীং লাকঙমদনা লৈরিবনি। মখোয়গী মশাদা ফাগনি, পুনগনি হায়বগী কিজবা লৈতবগুম তৌরবনি। অথিংববু থুগাইদুনা মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বদা তৌরিবা মহাক অদু অফবা ওইরক্লবগী লম্বীদি ওইররোইদবনি। শম ককপদা অৱাথবী অশংবদা থাঙ্গোলনা খোকপদৌনা দাগফম ময়াম অমা লৈবদা ইকায়বা মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রবা মহাকপু কনানা নুংশিগদৌরিবনো? খুনু মমৈ য়ুংখৎপদৌনা লৱাইদা পুনখৎতুনা রবর লাকপা মসিসু ইকায় খঙদবা মথেল অমনি হায়বদা কায়দ্রবনি। ইকায়ববু খঙদ্রবা মহাক অদুদা ইকায়বা খঙনবা অফবা পাউতাক-পাউরৌ ময়াম অমা পীরুবদা য়াম্না শিংলে হায়রিবা ষণদুদা গীতা থিবগুম ওইদনীংঙাই লৈরোই। মশম মনা মওং তাদ্রবা য়েংবদা নুপীসু মানবা, নুপাসু মানবা, শামরক-ঙামরক হায়বদু নমদনা তাদৌরিবনি।

তাইবঙ মীওইবা ওইনা পোক্লগা তোকখায় তানীংবগী ৱাখল লৈরবা নমদনা মীয়াম্না শিংথাদবা ওইরদবনি। তৌবগীবুদি মীয়ামগী মরক্তগী তোকখায়না তাদুনা লৈরিবা মখোয়শিংসিগী মনুংদগী তাইবঙ ঐখোয়না শিংথানরিবা মীওইসু করিগুম্বদা য়াওদবা নত্তে। তৌবতবু তোকখায় তানীংবগী ৱাখলসিদি মীওইবা মরক্তগীদি ফরক্তি নমদনা তারগদবনি। জগোয়মক্তা ময়াম শামিন্নরে ময়াম্না য়েত্তা লৈখ্রগা অমনা ওইদা লৈরবা শোয়রে হায়বা অদুমক খঙলদবনি। থৌশাদনা শোয়হনবা, করিগুম্বদা শোয়খিবা অনীসিগী খেন্নবা লৈতবা নত্তে। অউবা-অখঙবা মীওইনা অদুমক হায়দ্রবসু খঙবদি অদুমক খঙলবনি। মীমান্নবা ঙমদ্রবা মহাক অদুদি অশোয়বা অমদি লৈরল্লদবনি।

কনা কনাগুম্বনা হায়নবা লৈ। মসি চুমদবদি নত্তে। অদুবু করিগুম্বা মতমদা হায়নরিবসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈরকপসু য়াওরিবনি। খুদম খরা পল্লবদা অৱাথবী লাবা করিগুম্বদা অৱাথবী পান্দে হায়নৈ। মসিমক্তি পানবসু য়াওরিবা পোৎনি। মপান শারগা মহৈ শুকয়ান য়ান্দবা করিনো হায়বা তারবদি করিনি হায়দৌরি? মপানবু শারবদি মহৈ য়ানবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। থিবু থিজিল্লবা থাজদবদা থাজবা ওইদে হায়বা য়াবা নত্তে। কোঙ্গ্রেং মনুংদা মুক্তা লৈবা য়েংলগা খঙবা নত্তে। থিরুরগা, হুম্লুরগা খঙলক্কদৌরিবনি। থবক তৌরগা থবক্তুগী ফল ফংবা হায়বসি ককপা য়াদ্রবা মাঙলমচৎকী কায়রক্ত্রবা থৌওংনি।

মপান শারগা মহৈ শুকয়ান য়ান্দবদি য়েঙথৌ মপান্নি হায়বদা অরানবদি ওইররোই। শেমদোকপদা শুকয়া য়াররোদবা মদুমক্তি য়েলহৌঙৈদগী লৈরল্লবনি। খাঙুথক্কী নত্তে। হৈমন শিংমনবা য়াম্মনখিবনা মীওইবা ঐখোয় ফাওবা মপান থোঙদা নুপানি, নুপীনি হায়বা ঙম্ন রক্ত্রবনি। শূদুনা-নোমদুনা হিংদবা য়াদে, খনবা খুজু-মুজুদা, ওইদ-পাদবদা হিংনবা হোৎনবা, অনীসি খেন্নবদি অদুমক মরৈবনি। মীওইবা অমা ওইনা তাইবঙসিদা খোঙদারক্লবদি নোংবান, পুনাম সিংহ মসিগা লোয়ননা মসিগী তাইবঙদা নুংশিদা খক হায়ররোইদবা প্রান, জীবন, প্রেম চোপ্রা, অমিসপুরি হায়রিবা মখোয়শিংসি মখোয় মখোয়গী শিনফম্না নুংশিদবা হায়বা অদুমদি ওইরবনি। মসিগী তাইবঙগী লম্বীদদি নুংশিবা কনাসু য়াওদ্রবনি। ময়ূমগী নুপী অঙাংনদি নুংশিদবদি লৈরম্মোই। ফত্তবা থবক তৌবদা মান্দবা, মানবা খেন্নবা লৈতে হায়না লৌরবসু ফত্তবা মীওইশিংদি য়ারিবমখৈ নকশিন্নদবনা খ্বাইদগী ফগদৌরিবনি। মরুপনি-মপাংনি হায়দুনসু লাপথোক্লনা লৈবসিনা অশোয়বদগী শোয়গদবা লৈরবসু লৈরোইদৌরিবনি। খুদিংমকসিদা শোয়নীংঙাই ওইরক্কদৌরিবসি খন্থহৌবা ৱাৎহৌবদগীনি।

মীওইবা অমা ওইনা মীওইবা মরক্তগীসু শাহিং-ঙাহিং চাবা জঙ্গলদা লৈবা জীব মখোয়গুম্না মীওইবা ঐখোয়সু ওইরবা অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তা ওইদৌরিবনি। তাইবঙ মীওইবগীদমক লৈফম অমা ওইনা থম্লিবা মসি অফবা মীওইগীদমক্তদি নত্তবনি। মীওইবা কাঙলূপ্তুগী থোইদোক হেন্দোক্তুনা ... মখোয়শিংগীদমক থম্বসি খ্বাইদগী অফবনি। অফবনি হায়দুনা থম্লিবা কৈশুমশঙদা লৈনা-লৈনা চৈরাক ফংগদৌবা থবক করিগী তৌরিবা? ৱায়েলশঙনা চথরকপা থবক থৌরম খুদিংদা কৈশুমশঙ হায়বসিদা ইথা-থানবা য়াদ্রবা ওইরবনি। কৈশুমশঙদা লৈগদবগী শরুক নুমিৎ কয়ানিনো চারা হেঞ্জগে হায়বা মীওই কয়া অমা লৈরিবনি। কৈশুমশঙদা লৈবা পামদ্রবদি অফবা থবক মীওইবা খুন্নাইনা তুক্কচরবা থবক তৌগে খন্দ্রবা অফবদা তৌবনা মীওইবা অমা ওইনা পোকপগী মহয় য়ানগদবনি খল্লবা শিংথানবা মীওই অমা নমদনা ওইগদৌরিবনি।

চহীনা মতোইনা নৌরবা অকি-অখং লৈতনা য়াদে হায়বদুতা তৌরগা নুংঙাইজবোই নীংবা মসিমদি মমা-মপা, মরুপ-মপাংশিংনা মতাং চানা, মতম্না লৈরিঙৈদা ঙাঙ শকপগী মথৌ ওইরবনি। তাররোই, লৌররোই হায়বদুনা অমা ওইখ্রগা য়াদবোইরে হায়বদুমদি থাঙ্গৈমক শেংনা খঙহনবা ফবনি। ৱারকপীনবা লৈত্রবা, তৌনীং-তৌনীংবা মহাক অদু মমৈদা পেঞ্জদবনা লাঙ্গোই চন্দৌরিবনি। মীওইবগী পুন্সি খোঙলগা তশেং তশেংনা অতাবী হায়বদু নমদনা লাক্কদৌরিবনি। মতাংনা মতম্না লাক্কনু হায়না য়াদ-য়াদনা লাক্কদৌরিবনি। লিলনা মকোল চঙলমদাইদা চুম্বগী থৌওং তৌদবা ফরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## ৱাঙ্খ্রে পন্থৌ মীৎনা উবা লাইনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

কুমজা ১৭০৯দগী লাইজ ইরোন্নুংদা থৌদু নুংগুম লুপ্পুরবা লৈপাক লাইনিং ইপাকথক্তা পুখৎপীরম্বা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) হিংলিঙৈদা শিংথানখি। ঙসিনা লাইমক্তা পাঙ্খক ওই লৈবাক মীয়াম্না নীংশিংনরি, শোন্নরি। মীওইবশিংবু নুংশি হায়বগী চপ চানা থবক থৌওংনা উৎলিবা মীওইবশিং নুংশিখিববু চিন্থাং-পাউথাং হায়নরক্তুনা তুংগী শুরোলনা অমুক নৌহৌনা নীংশিংনরকপা হায়বসিবু লাইগা পাঙ্খকনি হায়বদা মীওইবা তাইবঙ অমত্তনা ৱায়েৎ পীবা মঙল্লরোই। মসিমক্লা খেন্নবা লৈতনা লৈপাক লাইনীংদা যূম্ফম ওইরগা লাইনীংবু য়োকখৎপা, হিঙ্গৎহন্নবা লাইনীংগী পাউতাক শন্দোকপা মীয়াম্বু, মীওইবশিংবু অচুম্বা লম্বীরোমদা পুননবা চৎহনবা ঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবা ৱাঙ্খ্রে পন্থৌ লৈবাক অসিগী লাইনীংগীদমক্তদি মীৎনা উবা লাইনি।

নোংমাইজিং চীংগী নোংচুপ থংবা চীংশাং পরেংগী হাইথরকপা থেন লৈপাক লাইনীংথৌগী খুভম মতম কুইনা থৌদুনুংগুম ইরোন্নুংদা লোৎলুবা মতমগী য়াওলদা তঙাইফদদনা তাইবঙ কনানা খঙদ-উদনা লৈরম্বা লাইনীং লাইগী খুভম 'থরো ইমা' লাই ওইবা পন্থৌনা শাফোংহনবীদুনা মালেম শিনবা থুংনা খঙনখ্রে। লাইনীংগী পাউতাক মতুং ইন্না ৱাঙ্খ্রে পন্থৌনা লাংবন চারা তম্বা থৌরম হৌখিবা থৱান ২৩নি পানবদা পাঙথোকখি।

ইজরিবা ৱারেং 'থরো ইমা' গী খুভমদা লৈখিদ্রবা লৈপাক অসিগী লাইনীংবু থৱায়মক্লি খন্না ইমা লৈপাক অসিবু নুংশিখিবা ইপা-ইপূশিং নীংশিং থৌরম অদুবু শরুক য়াজরুবদা থম্মোয়দা অপেনবা ফাওজরকপদু মীয়ামদা পাউদমজবনি। লম্লক-য়ূম্লক্কী, শা-ষণ অচুম্বগী, মীওইবগী ফনবগীদমক মখোঙ মঙকশমদা য়োৎহ্লিং থৌরিনা পুল্লি। অদুবু ৱাখল লৌশিং লৈবা মীওইবা তাইবঙবুসু অচুম্বা থবক তৌনবা থৌরম পাঙথোক্লবা অফবা ৱাখল খন্নবা লাইনীং লাইগী পাউতাক্লা পুনগদবনি হায়বসি ৱাঙ্খ্রে পন্থৌনা অসুম্না খনবীরমগনি হায়বসি তোল্লবী ঐনা খঞ্জে।

মতাং অশ্বাইদনি ৱাঙ্খ্রে পন্থৌ তাইবঙ মীওইবশিংনা লাই ওইবা মীৎনা উবা লাইনি হায়দবা য়াদবা ৱাফম লাক্লিবসি। লাইনীং লাইগী পাউতাক হায়বীবা ঙম্বা তাইবঙ ওইবা ৱাঙ্খ্রে পন্থৌনা তাকপীবা অদুদা থাজবা থম্মোয়দা ফাওবা লেঙবীরক্লিবা মীয়ামগী মায়থোংদা য়াম্না নিংথিজনা ফজনা ময়েক শেংনা তরক-তরক কোরৌ নুমিৎকী মশেক মঙালনা তুমনৌথক্তা পকপা লিক্লাগুম ওই।

লাইনীং লাইবু হক্লা নীংজরুবা ইমা লৈপাকপু থম্মোয়দা খম থেংনা নুংশিরুবগী লাই ওইবা পন্থৌনা শুমহৎখিবদগী লাক্লিবা মীয়ামশিং লৈপাকপু নুংশিখিবা ইপা-ইপূশিংগী থৱায়দা হৈ-লৈ খরদংদা ওইরবসু 'থরো ইমাগী' খুভমদা কৎলুগনি হায়দুনা অৱাবা থিদনা লাকপা ওইগনি হায়বসিমসু তোল্লবীনা থমজগে।

পীক্লিবা অঙাংশিং ইনখৎলক্লিবা নুপামচা নুপীমচা কয়াশিং ফাওবা অমসুং অহল ওইরবা ওইরিবীশিং লাইগী থৌরম অদুদা পুনখি। য়াম্না ঙক্লিংঙাইদি পুল্লরিবা-তিল্লরিবশিং ময়ামশিং তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাক্লগসু অমনা অমদা য়াম্না ইকায়খুম্ননীংঙাই ৱাখল্লোন চেনবগী মায়থোংদা তারিবা মমি অদুনি। নুমিৎ অদুদা থরো ইমাগী খুভমদা লেঙবীরক্লিবা খুদিং ইমা লৈপাক অসিগী চাদা নাওদা তাইবঙগী পলেম-পন্থৌ অমত্তগী পারি মমোমশিং ওইরিরোইদ্রা ইজরিবনা খঞ্জখি।

চিক্লা চাইনবা ঙমদনা ময়াম অমা তিল্লগসু করিদা ঐখোয় মশেল কনাদা করি লানখিগদগে, শোয়খিগদগে, চহীদা মথক থোংবা, মখা থাবদা থৌগল্লোন কায়খিগদগে হায়বনচিংবা য়াম্না চেকশিঞ্জবা উচৈ। পূম্নমক অসিগী পুমহেন হেনবা পূক্লিং চিংশিনখ্রিবা অমনা 'থরো ইমাগী' খুভমদা লৈবিরিবা মীয়াই চল্লবা-চল্লবীশিং অমদি ইনখৎলক্লিবা-ইনখৎলক্লিবী পারি মমোমশিং ৱাঙ্খ্রেগী পন্থৌগী মীনুংশি মীৎয়েংখাদা লৈশেল্লোন লাইনীং ইঞ্জ-চৎচদুনা 'থৌগল্লোয়' ওইনা লেঙবীরক্লিবশিং অদুবু হরাউ তরাম্না ওক্লিবা অদুনি।

পারি মমোম ওইবশিংনা তাইবঙগী নুপী পলেম ওইবীশিংদা 'মমা' হায়না মিঙ্গৌবা মসিদগী হেনবা ফজবা থৌগল্লোন ৱাংবা মালেমদা অনী শুররোই হায়বসিদগী হেনবা ৱাহৈনা ইদুনা ফোঙদোকপনা মৱাৎলগনি। ময়ামদুবু ওকপদা অশোয়বা অরানবা য়াওখিগনি, পেন্দবা ফাওখিগনি খন্না চেকশিন্না মায়থোং মকা লাম্না থৱায় য়াওনা হোৎনজরিবা শোয়খিবা লানখিবা য়াওরকপদা ঙাকপীরোইদবগী মরম করিদবু লৈরোইদগে? 'থরো ইমা' গী লাইশঙগী মমাঙ শঙলেন্দা লেঙশিনবীরিবশিংনা ঈংনা চিক্লা ফম্মিন্নদুনা পুকমেন পাউমেন্নরিবা মকা লাম্বা মায়থোংশিং উরুবদা পূম্নমকপু ওইহনবীরিবা ৱাঙ্খ্রে পন্থৌ অশেংবা তাইবঙগী মীৎনা উবা লাইনি হায়বসি তিল্লিবা ময়ামশিং অদুনা ময়েক লারবা অউবা খুদমনি। হায়নরিবা ৱাফমদা মালেম ইমাগী তম্পাক্তা ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচাশিংনি হায়বদু ঙসিদি ৱাঙ্খ্রেগী লাই ওইবা পন্থৌনা তাকখ্রে।

*অদোমগী - মোইরাংথেম ওংবী মিনা লৈমা*
*প্রসিদেন্ট, লাইরেম্বী শিন্থা লূপ*

### মরোল থোকপা লাই

